# গভর্ণমেন্টকী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

কোলা লম্পুর, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক্তা লৈঙাক্লা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কী খুদোংচাবা লৌরগা মী য়াম্না পুনবদা অথিংবা থমখিবা অদুগী মায়োক্তা ঙসি মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না মালেসিয়াদা মরু ওইবা লম্বীশিংদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মফম থাদোক্লবা তকশিনখ্রে।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবা প্রোটেষ্টরশিংনা ফেস মাস্ক উপখিবগা লোয়ননা অমগা অমগা লাপ্না লৈনখিবগা লোয়ননা অমুবা মচুগী ফিরালশিং শীজিন্নখি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি মপুং ফাদ্রবা লৈঙাক অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি। মালেসিয়াদা মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী চাওবা খোঙজং অমনি হায়না লৌবা য়াই। খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিন য়াসিননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপগী মহুত্তা লোকদাউন থমজিন্দুনা মীঙোন্দা অৱা চৈথেং কয়া পীরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামগী য়াইফনবা খোঙথাংশিং পায়খৎপগী মহুত্তা মশাগী কান্ননবা মওংদা পোলিটিক্স তৌদুনা লৈরে। মসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি।

মীয়াম্না অৱাবা অসি ময়োক য়ানবা হোৎনরিঙৈ মরক্তা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা মশা মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা থবক তৌরি। মসিনা মরম ওইরগা মালেসিয়াদা ইকনমিগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা লাকহনখিবগা লোয়ননা দিমোক্রেসিবু লৈবাক অসিদগী মাঙহন্নবা হোৎনরি।

অতোপ্পা খোঙজংলোয় অমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মুহিদ্দিন অসি য়াম্না অকিবগী মশক ওইরবা প্রাইম মিনিষ্টর অমনি। মহাক মীয়ামগী খল্লগা মশাগী মফম থাদোকপগী মতম ওইরে। মীয়ামগী খন্দবা লুচিংবদি মীয়াম্নসু মশক খঙদে। হৌজিক্তি মুহিদ্দিনবু মীয়াম্না লৈবাক অসিগী লুচিংবা অমা ওইনা লৌররোই হায়রি।

অমরোমদা ঙসি মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মশীং য়াম্লবা পুলিসশিং দিপ্লোয় তৌখি। পুলিসশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা পামদবা থৌদোকশিংদি থোকহনখিদে। অদুমওইনমক পুলিসনদি মীয়াম পুন্দুনা ঈহৌ হৌরকখিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।



# হেরাটতা লৈবা য়ু এন কম্পাউন্দদা চথরকখিবা এটেক অমদা অফঘান লান্মী অমা শিখ্রে

কাবুল, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী হেরাটতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কম্পাউন্দ অমদা চথরকখিবা এটেকতা অফঘান সিক্যুরিটি গার্দ অমা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমসুং টালিবানগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা সিক্যুরিটি গার্দ অমা শিখিবনি হায়রি।

ওফিসলশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অফঘানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা সিটি অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথরক্লি। চহী অসিগী মে থাগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা টালিবান ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা লান্দা কয়া চথবা হৌরকখিবনি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা টালিবান অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমনা মরম ওইরগা হেরাট সিটিদা লৈবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখিবগা লোয়ননা মথৱায় হিংনবগীদমক মফম অদু থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুদা হেরাটতা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেইন কম্পাউন্দদা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়কৈদগী কাপশিল্লকখিবা রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদশিং তাশিল্লকখিবগা লোয়ননা পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা অফগান সিক্যুরিটি গার্দ অদু শিখিবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্টস মিসন ইন অফঘানিষ্টাননা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল দেবোরা লিয়োননা ফোঙদোরকখিবদা কম্পাউন্দদা এটেক চথরকখিবা অদু লাইবকথিবনি। থৌওং অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। এটেক অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুখত্তুনা খন্নরগনি অমদি এটেক অসিগী মায়োক্তা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি হায়রি।

অমরোমদা টালিবান গ্রুপকী ৱাঙাঙলোয় জবিহুলানা ফোঙদোকখিবদা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা চথখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা শোয়বদগী হায়দোরকখিবা নোংমৈ মরম্না মরম ওইরগা য়ু এনগী কম্পাউন্দদা লৈবা সিক্যুরিটি গার্দতা অশোক অপন থোকহনখি হায়বগী পাউ অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পর্সনেলশিংদা এটেক চথবগী ৱাখল্লোন লৈতে। টালিবান ফাইটরশিংনা থৌদোক থোকফমদা য়ৌশিনখ্রবা মতুং কম্পাউন্দ অদুদা থ্রেট অমত্তা লৈরমখিদে হায়না ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



# দেলটা ভেরিয়েন্টনা চাইনাদা চৈথেং পীবা হৌরকখিবা অসি য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই : দব্লিউ ঐচ ও



বৈজিং, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

চাইনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা চৈথেং পীবা হৌরকপদগী মফম খরদা লোকদাউন থমজিনবা হৌখ্রবা মতুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফীভম অসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা দেলটা ভেরিয়েন্ট অমদি হান্নগী কোভিদ-১৯ গা পুনশিন্নদুনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমা শেম্লক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈবাক অনীমক্না য়াম্না চেকশিন্না থবক পায়খৎপগী মতম ওইরে হায়রি।

চাইনাদসু ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং মফম খরদা লোকদাউন থমজিনবা হৌখ্রবনি। চাইনাগী মাঞ্জিয়াং সিটিদা লৈবা ইন্তরনেশ্নল এয়রপোর্টতা ইহান হানবা ওইনা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস অসি থেংনখিবনি।

কেস অসি হেক থেংনখিবগা মাঞ্জিয়ান সিটিদা লোকদাউন থমজিনখিবনি। ইহান হানবা ওইনা এয়রপোর্ট ক্লিনর অমা দেলটা ভেরিয়েন্ট পোজিটিভ ওইরম্লবা মতুং মখা তানা টেষ্ট তৌরুবদা অতোপ্পা ৮ সু পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সিটি অদুদা পুন্না মীওই ২০০ রোম দেলটা ভেরিয়েন্টনা নাহল্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈরে।

মরম অদুনা চাইনানা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি লায়না লাইচৎ অসিগী অনৌবা ন্যুটেসন অমনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাকশিংদা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চৈথেং পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়বসি খুদিংমক্না কাওরোইদবনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিবু তরাইনা লৌরোইদবনি হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ইমর্জেন্সি দিরেক্তর মাইকেল রাইননা ফোঙদোকখিবদা দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি মালেমগী মীওইবা খুন্নাইদা য়াম্না চাওনা শীনরক্লিবা অকিবগী মশক ওইরবা ভাইরস মখল অমনি। ভাইরস মখল অসি নোংম নোংমগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকপা মানবগী ফীভম অমা লাক্লি। চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী ইহান হান্না হৌরকখিবা কোরোনা ভাইরসতগী দেলটা ভাইরসনা মপাঙ্গল য়াম্না কনবা হেল্লি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা মীয়াম চেকশিনসি হায়রি।

# টর্কিদা চাক্লিবা অকনবা লাম্মৈনা মখা তানা মীওই ৪ শিহনখ্রে, মৈ মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি

অনকারা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

টর্কিদা হৌজিক হৌজিক অকনবা মওংদা চাক্লিবা লাম্মৈনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ারোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক অকনবা মওংদা চথরি।

ফায়রফাইটর ১,০০০ রোম হেনবনা নুমিৎ হুমনিরোম চাল্লকখ্রবা মৈ অদু মুথৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুমওইনমক হৌজিমক্কী ওইনদি মৈ অদু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। অকনবা নুংশিৎনা মরম ওইরগা মৈ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ফায়রফাইটরশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

লৈবাক অদুদা লৈবা প্রোভিন্স ১৭ লোমদা হৌজিক হৌজিক লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। প্রোভিন্স ১৭ অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম ৭০ লোমদা অকনবা মওংদা লাম্মৈ চাক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। টর্কি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মফম ৫৭ তা চাক্লিবা লাম্মৈদি ফায়র ফাইটরশিংনা তপ্না তপ্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী ফোরেষ্ট মিনিষ্টর বেকির পকদেমিরলিনা ফোঙদোকখিবদা ওসমানিয়ে, কেসেরি, কোকোলি, অদানা, মর্সিন অমসুং কুটয়াদা চাক্লিবা লাম্মৈগী ফীভম অৱুবা ওইরি। হৌজিকসু মৈ অসি অকনবা মওংদা চাকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লি। হায়রিবা প্রোভিন্সশিং অসিদা অহেনবা ফায়র ফাইটরশিং থাজিন্দুনা মৈ কন্নবা থবক অকনবা মওংদা চথরি। ফায়র ফাইটরশিং খক্তা নত্তনা এরোপ্লেন অহুম, দ্রোন ৯ অমদি হেলিকোপ্টর ৩৮ গা লোয়ননা ফায়র ফাইটিং ভেহিকল ৬৮০ সু মৈ কনবগী থবক অদুদা শীজিন্নরি।



# ওইল টেঙ্কর অমা য়ু এসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াদা ইলিগেল ওইবা মওংদা থাউ থিন্থোক থিঞ্জিন তৌবা সিঙ্গাপুরগী ওইল টেঙ্কর অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

টন ২,৭৩৪ পুবা ঙম্বা বেসেল অসিনা ইলিগেল ওইবা মওংদা নোর্থ কোরিয়াদা ক্রুদ ওইল পুথোক পুশিন তৌরম্বগীদমক য়ু এসনা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। য়ু এস অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সননা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অদুগী মায়োক্তা সিঙ্গাপুরগী ওইল টেঙ্কর অসিনা থাউ পুদুনা চৎলম্বা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি।

অমরোমদা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসকী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌওংশিং অদুনা মরম ওইরগা লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী ফীভম হান্নদগী হেন্না শোকচিলহল্লকপা য়ানা লৈরি। মরম অদুনা য়ু এসনা মরম লৈতনা ফাজিনখ্রিবা সিঙ্গাপুরগী ওইল টেঙ্কর অদু অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ৱাঙাঙলোয় অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# বর্লিনদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শোকখ্রে

বর্লিন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

জর্মনগী কোনুং বর্লিনদা লৈবা ষ্টোর অমগী মনাক নক্না থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই ৪ শোকখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা মীওই ফানবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়রি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু বর্লিনদা লৈবা ষ্টোর অমগী কার পার্কিংদা থোকখিবনি। করি মরমগীদমক শকখঙদবা মীওই অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক চথখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই ফানবগীদমক মরী লৈনবশিংনা হোৎনরি। অথুবা মতমদা চেন্নরিবা মীওই ফাদুনা লিগেলগী ওইবা চৈরাক পীনবা হোৎনগনি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা শোকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা ৩ নুপানি অদুগা ১ না নুপীনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপা অহুম অদুগী মনুংদা ১ দি থাঙনা থিনবগী দাকফমসু লৈরমখি। হীরম অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংনা সী সী টি ভি ফুটেজশিং লৌখত্তুনা য়েংশিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ব্রিসবেন লোকদাউন থমজিল্লবা য়ানা লৈরে

ব্রিসবেন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা অকনবা চৈথেং পীরকপদগী লোকদাউন থমজিনবা হৌখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা অহুমশুবা সিটি ওইরিবা ব্রিসবেনদসু কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদসু ওথোরিটিশিংনা লোকদাউন থমজিল্লবা য়ানা লৈরে হায়রি।

ষ্টেট দিপ্যুটি প্রেমিয়র ষ্টেভেন মাইলসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না দেলটা ভেরিয়েন্টপু ঙাকথোক্নবা খ্বাইদগী ফবা পান্বৈদি লায়না অসিনা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লিবা অসিদগী হেন্না য়াঙনা ঐখোয়না চৎপা মথৌ তাই। ঐখোয়না লায়না লাইচৎ অসিদগী হেন্না য়াঙনা চৎপা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা মরম্না তঙাইফদনা লোকদাউন থমজিনবা মথৌ তারি।

লোকদাউন থমজিনবনা মীয়ামদা চৈথেং কয়া পী হায়বসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খঙই। অদুমওইনমক লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কা হেন্না চৈথেং পীরক্কদবা অদুগী য়েংলগা তঙাইফদনা লোকদাউন থমজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি তরাম্না ওকফম থোকই হায়রি। পনবা য়াবদি সিটি অসিদা দেলটা ভেরিয়েন্টকী অনৌবা কেস ৬ ইহান হানবা ওইনা থেংনখ্রে।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases | Total Tests |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 197,968,081 | +643,321 | 4,223,508 | +9,360 | 178,884,619 | 14,859,954 | |
| 1 | USA | 35,688,506 | +99,470 | 629,064 | +419 | 29,652,038 | 5,407,404 | 529,178,910 |
| 2 | India | 31,612,794 | +41,499 | 423,842 | +598 | 30,773,555 | 415,397 | 464,650,723 |
| 3 | Brazil | 19,880,273 | +40,904 | 555,512 | +886 | 18,595,380 | 729,381 | 55,034,721 |
| 4 | Russia | 6,242,066 | +23,564 | 157,771 | +794 | 5,588,848 | 495,447 | 164,700,000 |
| 5 | France | 6,103,548 | +24,309 | 111,824 | +60 | 5,696,619 | 295,105 | 104,074,220 |
| 6 | UK | 5,830,774 | +29,622 | 129,583 | +68 | 4,498,089 | 1,203,102 | 244,114,700 |
| 7 | Turkey | 5,704,713 | +22,083 | 51,253 | +69 | 5,449,253 | 204,207 | 67,609,655 |
| 8 | Argentina | 4,919,408 | +13,483 | 105,586 | +473 | 4,557,037 | 256,785 | 19,334,462 |
| 9 | Colombia | 4,776,291 | +9,462 | 120,432 | +306 | 4,567,701 | 88,158 | 22,448,016 |
| 10 | Spain | 4,447,044 | +24,753 | 81,486 | +44 | 3,711,200 | 654,358 | 55,855,941 |
| 11 | Italy | 4,343,519 | +6,619 | 128,047 | +18 | 4,132,510 | 82,962 | 77,279,334 |
| 12 | Iran | 3,851,162 | +24,715 | 90,344 | +270 | 3,348,363 | 412,455 | 25,857,430 |
| 13 | Germany | 3,774,905 | +2,598 | 92,161 | +30 | 3,651,900 | 30,844 | 67,083,026 |
| 14 | Indonesia | 3,372,374 | +41,168 | 92,311 | +1,759 | 2,730,720 | 549,343 | 26,059,441 |
| 15 | Poland | 2,882,786 | +153 | 75,259 | +2 | 2,653,608 | 153,919 | 18,556,710 |
| 16 | Mexico | 2,810,097 | +19,223 | 239,997 | +381 | 2,192,477 | 377,623 | 8,369,464 |
| 17 | South Africa | 2,435,036 | +12,885 | 71,679 | +248 | 2,207,960 | 155,397 | 14,806,616 |
| 18 | Ukraine | 2,251,869 | +962 | 52,930 | +14 | 2,186,353 | 12,586 | 11,360,926 |
| 19 | Peru | 2,109,294 | +699 | 196,291 | +77 | N/A | N/A | 15,476,472 |
| 20 | Netherlands | 1,862,586 | +3,387 | 17,821 | +6 | 1,667,185 | 177,580 | 15,767,121 |
| 21 | Czechia | 1,673,436 | +207 | 30,373 | | 1,640,301 | 2,762 | 32,782,508 |
| 22 | Iraq | 1,616,384 | +12,597 | 18,595 | +62 | 1,455,659 | 142,130 | 13,033,819 |
| 23 | Chile | 1,614,629 | +1,341 | 35,366 | +71 | 1,568,981 | 10,282 | 18,602,064 |
| 24 | Philippines | 1,580,818 | +8,556 | 27,722 | +145 | 1,491,072 | 62,024 | 16,628,225 |
| 25 | Canada | 1,430,483 | +904 | 26,592 | +17 | 1,397,451 | 6,440 | 38,466,868 |
| 26 | Bangladesh | 1,240,115 | +13,862 | 20,467 | +212 | 1,064,195 | 155,453 | 7,709,914 |
| 27 | Belgium | 1,122,951 | +1,862 | 25,235 | +4 | 1,058,072 | 39,644 | 17,123,880 |
| 28 | Sweden | 1,100,040 | | 14,617 | | 1,076,029 | 9,394 | 11,300,881 |
| 29 | Malaysia | 1,095,486 | +16,840 | 8,859 | +134 | 902,921 | 183,706 | 18,006,728 |
| 30 | Romania | 1,083,033 | +153 | 34,278 | +1 | 1,047,682 | 1,073 | 10,506,585 |
| 31 | Pakistan | 1,024,861 | +4,537 | 23,295 | +86 | 938,843 | 62,723 | 15,936,674 |
| 32 | Portugal | 966,041 | +2,595 | 17,344 | +14 | 897,886 | 50,811 | 15,214,294 |
| 33 | Japan | 903,011 | +10,990 | 15,173 | +13 | 831,087 | 56,751 | 18,290,773 |
| 34 | Israel | 871,343 | +2,280 | 6,469 | +3 | 848,474 | 16,400 | 16,462,447 |
| 35 | Hungary | 809,491 | +64 | 30,026 | +1 | 748,157 | 31,308 | 6,328,373 |
| 36 | Jordan | 770,150 | +760 | 10,020 | +10 | 750,141 | 9,989 | 8,475,090 |
| 37 | Serbia | 721,620 | +353 | 7,112 | +2 | 710,439 | 4,069 | 4,663,159 |
| 38 | Switzerland | 717,665 | +800 | 10,906 | | 692,101 | 14,658 | 9,053,135 |
| 39 | Nepal | 693,109 | +2,467 | 9,834 | +27 | 652,261 | 31,014 | 3,594,202 |
| 40 | UAE | 679,321 | +1,520 | 1,943 | +4 | 656,680 | 20,698 | 65,621,916 |
| 41 | Austria | 658,518 | +514 | 10,737 | | 642,597 | 5,184 | 66,199,742 |
| 42 | Morocco | 615,999 | +9,128 | 9,732 | +35 | 557,408 | 48,859 | 7,568,897 |
| 43 | Tunisia | 586,146 | +3,508 | 19,503 | +167 | 505,497 | 61,146 | 2,235,253 |
| 44 | Thailand | 578,375 | +17,345 | 4,679 | +117 | 381,170 | 192,526 | 8,129,670 |
| 45 | Kazakhstan | 564,885 | +7,778 | 5,780 | +76 | 467,972 | 91,133 | 11,575,012 |
| 46 | Lebanon | 560,396 | +923 | 7,903 | +3 | 536,963 | 15,530 | 4,731,376 |
| 47 | Saudi Arabia | 524,584 | +1,187 | 8,226 | +14 | 505,003 | 11,355 | 26,395,789 |
| 48 | Greece | 490,552 | +2,843 | 12,923 | +12 | 444,401 | 33,228 | 12,692,216 |
| 49 | Ecuador | 486,544 | +871 | 31,591 | +42 | 443,880 | 11,073 | 1,683,188 |
| 50 | Bolivia | 471,958 | +1,029 | 17,784 | +30 | 405,853 | 48,321 | 2,061,026 |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref. Mut. Case No. 305/SDC/IW(P) of 2021**

1. Nandeibam Doren Singh S/o (L) Dhomba Singh of Patsoi Part-I
2. Aribam Lalit Sharma S/o (L) Kalidas Sharma of Langpok Mamang Leikai. -Petitioners

-Vrs-

Late Nandeibam (O) Nganbi Devi W/o (L) Dhomba Singh of Patsoi Part-I -Opposite Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

30/7/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূখাংদা খঙহঞ্জরি। ঈ:ও: পাৎসোইগী খুন নং ৯৪/লাংজিংগী পাট্টা নং ৫৬ (অরিবা), ১৩৩/৩৮৪ (অনৌবা)গী দাগ নং ৫৭৩গী এরিয়া ০.২১৯৯৯ একর চাওবা ফৌরেলগী পাট্টাদারিনি অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (২) অসিনা দাগকী খা-নোংচুপ্তা .০৩ একর দখলগী মতুংইন্না অদুগা লেমহৌবা শরুক অসিনা দংকারি নং (১)গী শরুক ওইনা মৃ: পাট্টাদারিনি মমাগী স্বর্ত্তদা (মহুৎতা) মথংশিৎনা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ৭/৮/২০২১ ইং,গী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/6375/1

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

No.1/RO/Election/IUCB/2021
OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE
ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS
OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD
M.G.AVENUE, IMPHAL.

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 30th July 2021

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022, the Election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. scheduled on 2-12-2018 was not held in time due to litigation in different law courts. However, by the Judgment Order dt. 21-6-2021 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in W.P.(C) No. 1009 of 2019 with WP©1059 of 2019 with WP( C) No. 207 of 2019 with MC (WP( C) No. 17 of 2020 (Ref. W.P( C) No. 1009 of 2019 with MC (WP ( C) No. 19-2020 (Ref. WP ( C) No. 1059 of 2019 with MC (WP ( C) No. 171 of 2019 Ref. ( W.P. ( C) No. 207 of 2019 with MC W.P.( C) No. 33 of 2020 (ref. MC W.P © No. 17 of 2020 ( Ref. WP © No. 1009 of 2019 , has directed to proceed with the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank in view of the Notice dated. 20-11-2018 issued by the Returning Officer . In this regard, the R.C.S., Manipur vide letter No. B-Coop/1/IUCB/Case /2019 dt. 09-07-2021 has also directed to proceed with the Election of the Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd in pursuance of the above mentioned Judgment Order of the Hon'ble High Court of Manipur.. Accordingly, the election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on the date, time and place as given below.

| Date of Election | Venue | Poll hour |
|---|---|---|
| Tuesday, 17-08-2021 | City Convention, Palace Gate Imphal East. | 10.00 a.m. to 3.00 p.m. |
| | | |

Therefore, all concerned Delegates are requested to attend in time.

Sd/- T.Pradwipkumar Singh
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of
Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd

HL-P/6373/1,2,3